# পাকিস্থাননা ৱেষ্ট ইন্দিজবু মেটচ অহুমগী সেরিজদা অরোইবা মেটচ ৱিকেট ৮দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ অদু ৩–০দা থোইখ্রে




করাচী, এপ্রিল ০৪ঃ
পাকিস্থান অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা শান্নবা টি–২০ মেটচ ৩গী সেরিজগী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা অমদি ৩শুবা মেটচ অদু য়ুম্বু ওইখিবা পাকিস্থাননা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৮দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৩গী সেরিজ অদু মেটচ ৩–০দা লৌখ্রে।

মমাঙগী টি–২০ মেটচ অনী মায়থিবা নঙখ্রবা মতুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেষ্টমেনশিংনা অপীবা ওভর ২০দা বেটচমেন ৬ আউট ওহরগা রন ১৫৩ খক লৌবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী মায়কৈদগী ইন্নিংস হৌদোরকখিবা শাদোক ৱালটোন অমসুং এন্দ্রি ফ্লেটচরগী পার্টনরসিপ য়াম্না তেনখি। চাদৱিক ৱালটোন বোল ৯ মায়োক্লবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মহাক আউট ওইখিবা তাঙ্গা অদুদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী স্কোর বোর্দতা শুপ্নগী রন ২খক লৈখি।

চাদৱিককী মহুৎ শিল্লকখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী শান্নরোই মার্লোন সামুএলসনা অতোপ্পা ওপ্পনর এন্দ্রি ফ্লেটচরগা লোয়ননা টিম অদুগী অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৭২ হাপচিন্দুনা অপুনবা রন অদু ৭৪ শুরকপদা সামুএলস মশাগী রন ৩১দ আউট ওইখি।

সামুএলসনা শুপ্নগী বোল ২৫ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ২ য়ৈরল্লগা অপুনবা রন ৩১ লৌবা ঙমখি। মতম অদুদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী অপুনবা রন অদু ৭৪ দা লৈখি।

মখাতাবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটচমেন এন্দ্রি মেকার্থি শান্নবা চঙলকখি। মেকার্থি অমসুং ফ্লেটচরগী পার্টনর্সিপ অদুদা মখা তানা রন ১৮ হাপচিল্লগা স্কোর বোর্দতা রন ৯০ শুরকপদা মেকার্থি মশাগী রন ৫দা আউট ওইখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী মখা তারকপা বেটচমেন অমা ওইখিবা রোভমান পাৱেল শুপ্নগী রন ২খক লৌরল্লগা আউট ওইখিবদগী টিম অদুগী অপুনবা রন অদু ৯৫দা লৈখি।

বোল ৪৩দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৫২দা ফ্লেটচর রম আউট ওইখিবদগী মমাঙগী মেটচ অনী মায়থিদুনা সেরিজ মায়থিখ্রবসু অরোইবা মেটচ অদু মায়পাক্লবা হোৎনরকখিবা টিম অদুগী অচৌবা আশা অমা লোয়শিনখি।

ফ্লেটচর আউট ওইখ্রবা মতুং ৱেষ্ট ইন্দিজগী কেপ্তেন জেসন মুহম্মদ শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না পার্টনর ওইখিবা রোভমান পোৱেল শুপ্নগী রন ২ খক লৌরগা আউট ওইখিবদগী টিম অদুগী অপুনবা রন ৯৬ শুখি।

টিম অদুগী মখাতানা লৈহৌরিবা ওভর ৪গা বোল ৫ অদুদা নৌনা চঙলকখিবা বেটচমেন দিনেস রামদিন অমসুং কেপ্তেন জেসন মোহম্মদনা ইন্নিংসকী স্কোর অদু রন ১৪০দা য়ৌহনবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদু লোয়গদবা বোল ৩ ৱাৎলিঙৈদা কেপ্তেন জেসন মোহম্মদ মশাগী রন ১৩দা আউট ওইখি।

ৱিকেট কিপ্পর দিনেস রামদিন্না য়াম্না ফজবা থৌদাং লৌদুনা মঙোনদা শুপ্নগী বোল ১৮দা লংলকপদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৪ য়ৈবা ঙমখি । রামদিননা শুপ্নগী বোল ১৮ মায়ক্লেবদা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা পুন্না রন ৪২ লৌদুনা আউট ওইদনা লৈখি। মহাক্না লোয়ননা ৱেষ্ট ইন্দিজগী কিমো পোলসু ইন্নিংস লোয়শিল্লকপদা রন ১ লৌরগা টিম অদুগী অপুনবা স্কোর অদু ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ১৫৩ লৌখি।

পাকিস্থানগী মায়কৈদগী শদাব খাননা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটচমেন ২ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি। মহাকপু চাউনা মতেং পাঙখিবা অতোপ্পা বেটচমেনশিং অদুদি ৱিকেট অমমম লৌখিবা মহম্মদ নৱাজ, উসমান খান অমসুং ফাহিম অস্রফনি।

পাকিস্থাননা ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নবা অরোইবা টি–২০গী অরোইবা অমদি অহুমশুবা মেটচ অদুদা মমাংগী মেটচ অনী মায়পাত্তুনা সেরিজ লৌবা ঙমখ্রবা মতুং অরোইবা অমদি ৩শুবা মেটচ অদু মায়পাক্লবগীদমক রন ১৫৪ লৌনবগী টার্গেট লৈখি।

পাকিস্থানগী ওপন্নর ফাকর জমান অমসুং বাবর অজামনা য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নরক্তুনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক ওভর ৫গা বোল ২দা রন ৬১ লৌদুনা ওভর অমদা রন ১২গী চাংদা লৌদুনা শান্নবা ঙমখি।

শুপ্নগী বোল ১৭তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৪০ আউট ওইদুনা পাকিস্থানগী ফাকর জমান টিম অদুগী অহানবা ৱিকেট ওইনা তুখি।

জমানগী মহুৎ হুসেন টলাটনা মহুৎ শিল্লকখি। মহাক্না অতোপ্পা ওপন্নর বাবর অজামনা মখাতানা ইন্নিংস অদুদা রন ৫১ হাপচিন্দুনা স্কোর বোর্দতা রন ১১৩ শুরকপদা বাবর বোল ৪০দা ফোর ৬ য়ৈরল্লগা রন ৫১দা আউট ওইখি।

মরীশুবা বেটচমেন অসিফ আলিনা হুসেনগা লোয়ননা মায়পাক্লবগী টার্গেট অদু ওভর ১৬কা বোল ৫দা রন ১৫৪ য়ৌবা ঙমখিদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৮দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৩গী টি–২০গী সেরিজ অদু পাকিস্থাননা মেটচ ৩মক থোইজুনা সেরিজ অদু য়াম্না কোন্না মওংদা মায়থিবা পীখি।

# ইন্দিয়াগী বোক্সর এমসি মেরি কোম রাউন্দ অমখক মায় পাক্লগা কমনৱেল্‌থ গেমসকী মেডল অমা শোয়দনা ফংলগনি, য়ুম্বু লৈবাক্কী টেলা বাউট অমত্তা থিন্নদনা মেডল ফংখিবা অহানবা শান্নরোই ওইখ্রে



গোল্ড কোষ্ট, এপ্রিল ০৪ঃ
ঙসিদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা শান্নবা হৌখিবা ২১রকশুবা কমনৱেল্‌থ গেমসতা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর এমসি মেরি কোম গেমস অসিগী অহানবা রাউন্দ মায়পাক্লবদি মেডল অমা শোয়দনা ফঙলগনি। অমরোমদা য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপী বোক্সর টেলা রোবার্টসন বাউট অমা ফাওবা থিন্নদনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখিবা অহানবা শান্নরোই ওইখ্রে।

নুপীগী বোক্সিংগী লমদা মালেমনা মশক খঙলবী মণিপুরদগী হৌখিবী এমসি মেরি কোমনা কেজি ৪৮গী কাঙলুপ্তা অহানবা রাউন্দ অদু থা অসিগী ৮দা স্কোটলেন্দগী বোক্সর মেগান গোর্দোনগা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরিবনি। হায়রিবা বাউট অসিদা করিগুম্বা মেরি কোমনা মায় পাকপা তারবদি সেমিফাইনেল য়ৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল অমা শুংশোয় শোয়দনা ফঙলগনি। নাকল অমরোমদা নুপীগী বোক্সিংগী দিসিপ্লিনদা শরুক য়ারিবী য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগী বোক্সর টেলা রোবর্টসননা মহাক্কী কেজি ৫১গী কেটেগোরি অদুদা অহানবা রাউন্দ অনী বাই ফংদুনা সেমিফাইনেল য়ৌখিবদগী বাউট অমা ফাওবা থিন্নদনা মেডল ফঙবা ঙম্বা গেমস অসিগী অহানবা শান্নরোই ওইখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা বোক্সিংগী দিসিপ্লিন অসিদা মেডল কয়া লৌবা ঙমগনি হায়না চাওনা পান্নরিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সর এমসি মেরি কোমনা হন্দক্কী কমনৱেল্‌থ গেমস অসিনা মহাক্কী অরোইবা গেমস ওইগদৌরিবনি। পনবা য়াই মমিং লৈরবী বোক্সর অসিনা মহাক্কী কেরিয়রদা কমনৱেল্‌থ গেমসকী মেডল অমা ফাওবা ফংবা ঙমদ্রি। মরম অদুনা হন্দক্কী গেমস অসিদা গোল্ড মেডল ফংদুনা মহাক্কী কমনৱেল্‌থ কেরিয়র অদু লোইশিনবা পাল্লি।

গেমস অসিদা শরুক য়ারিবী মণিপুরদগী হৌখিবী অতোপ্পা বোক্সর মমাঙদা ৱার্ল্ড অমসুং এসিয়ান চেম্পিয়ন ওইরম্লবি লাইশ্রম সরিতা দেবী কেজি ৬০গী কেটগরিদা অহানবা রাউন্দ অদকিম্বরলি গিটেন্সকা লম্বা তৌনরগনি।

কুমজা ২০১৮ কমনৱেল্‌থ গেমস অসি পুন্না দিসিপ্লিন ১৯দা ইভেন্ট ২৭৫ লৈদুনা শান্নরোইশিংনা গোল্ড মেডল ২৭৫দা লম্বা তৌনগদৌরি।

খ্বায়দগী মেডল য়াম্লিবা দিসিপ্লিন অদু স্বিমিংনি, মসিদা পুন্না গোল্ড মেডল ৬০ লৈরি। ইভেন্ট অসিগী হেক মথংদা এথলেটিক্সতা গোল্ড মেডল ৫৮ লৈরি।

জিম্নাষ্টিক্সতা পুন্না গোল্ড মেডল ২০দা শান্নরোইশিংনা লম্বা তৌগনি। সুটিংদা গোল্ড মেডল ১৯দা তোঙান–তোঙানবা লৈবাক ৭১দগী লাকপা সুট্টরশিংনা লম্বা তৌনগদৌরি।

ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা মেডল য়াম্না ফংগনি হায়না য়াম্না চাওনা আশা তৌরি।

বোক্সিং অমসুং ৱেঠলিপ্টিং দিসিপ্লিনদা মেডল ১৬ / ১৬ লৈরি। টেবল টেন্নিসতা মেডল ১৪দা শান্নরোইশিংনা লম্বা তৌনগদৌরি। রেষ্টলিংদা গোল্ড মেডল ১২দা লম্বা তৌনবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মণিপুর মচা সঞ্জিতা চনুনা মমাঙগী কমনৱেল্‌থ গেমসতা ফঙখিবা গোল্ড মেডল অদু দিফেন্দ তৌগদৌরি।

লোন বোলসতা মেডল ১০ লৈদুনা দিসিপ্লিন অসিদসু লৈবাক অমগী অফবা শান্নরোইশিংনা মেডল য়াম্না লৌবা য়াবগী তাঞ্জা লৈরি।

হোক্কি দিসিপ্লিনদা গোল্ড মেডল ২ লৈবগী মনুংদা নুপাগী ওইনা হৌখিবা গেমস ৪দা য়ুম্বু ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৪মক লৌদুনা লাকখিবা অদু হন্দক ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মুন্নবা কন্না হোৎনগদৌরি।

সাইক্লিং দিসিপ্লিনদা তোঙান–তোঙানবা ইভেন্ট ২৬ লৈবনা মরম ওইদুনা মশান্না অসিদা লৈবাক অমগী অফবা শান্নরোইশিংনা মেডল য়াম্না ফংবা য়াবগী তাঞ্জা লৈরি।

গেমস অসিদা বাস্কেটবোল, বিচ ভোল্লিবোল অমসুং নুপীগী রগবি ইভেন্ট নৌবা হাপচিনখি। অদুগা মমাঙগী গেমসতা য়াওখিবা জুদো মশান্না চহী অসিদা লৌথোকখি।

# মণিপুরগী ইএসয়ু অমসুং ক্রিপ্সা ফুটবোল ক্লব পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চংখ্রে

শিল্লং, এপ্রিল ০৪ঃ
অনীশুবা হিরো ইন্দিয়ান ৱুমেন্স ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা য়াম্না মরুওইবা মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ইএসয়ু) অমসুং অতোপ্পা মণিপুরগী ক্লব ক্রিপ্সা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চংখ্রে।


শিল্লংগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইএসয়ুগী মায়কৈদা ক্রিপ্সাগী ঙাঙোম বালা দেবীনা শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা অহানবাপাঞ্জল অদু চনখি। অকনবা লম্বা অদুদা ইএসয়ুগী রোজা দেবীনা অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমদা ইক্কেলাইজর অদু চনখি।

মেটচ অদুগী লেমহৌবা অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৪৫ অদুদা টিম অনীমক অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চংখি।

ঙসি শান্নখিবা অয়ুক্কী মেটচ অমদা রাইজিং ষ্টুদেন্ট ক্লবনা ইন্দিরা গান্ধি একাদেমী ফোর স্পোর্টস এন্দু ইদুকেসনবু পাঞ্জল ৬–১ দা থোইখি। রাইজিং ষ্টুদেন্ট ক্লবকী মায়কৈদগী পিয়ারি, অঞ্জু তামাং অমসুং সঞ্জুনা পাঞ্জল ২। ২ চনবা ঙমখি। অদুগা ইন্দিরা গান্ধি এ এস এন্দ ই গী মায়কৈদগী এ নারায়ননা পাঞ্জল অমা চনখি।

নুথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা সেথু এফসিনা রস সোক্কারবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইখি।

# ফ্রান্সকী কেরোলিনা গার্সিয়া অমসুং রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনা ভোলভো কার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

চার্লিষ্টোন, এপ্রিল ০৪ঃ
য়ুএসএগী সিটি চার্লিষ্টোনদা লৈবা ফেমিলি সার্কল টেন্নিস সেন্টরদা চথরিবা ভোলভো কার ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা অহানবা সিদেদ ফ্রান্সকী কেরোলিনা গার্সিয়া অমসুং ৩শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনা মখোয়–মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

অহানবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী কেরোলিনা গার্সিয়ানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুএসএগী ভি লেপচেনকোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইরম্বনি।

অহানবা সেটতা গার্সিয়ানা লেপচেনকোগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অদুগা অনীশুবা সেট অদুদসু গার্সিয়ানা লেপচেনকোগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা ভোলগো কার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনানা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুএসএগী শান্নরোই সি মেকহেলবু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট রুশিয়াগী শান্নরোই দারিয়া কসাটকিনানা য়ুএসকী শান্নরোই মেকহেলগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা য়ুএসকী শান্নরোই মেকহেলগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না খরা উৎপা ঙমখিবদগী কসাটকিনাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবী রুশিয়াগী শান্নরোই অদুনা মেকহেলগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা মেক্সিকোগী সিটি মোন্টেরিদা চথরিবা মোন্টেরি ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা অহানবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুম্বু লৈবাক মেক্সিকোগী শান্নরোই আর জারাজুৱাবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–১, ৬–১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী শান্নরোই ই রোদিনাবু ৬–০, ৭–৬(৭–৪) দা থোইরম্বী য়ুএসএগী এ রিস্কিগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ স্লোভাকিয়াগী এম রাইবারিকোভানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী আর ওজাকিপু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা গ্রিসকী শান্নরোই ভি গ্রামাটিকোপৌলৌবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–০, ৬–২ দা থোইরম্বী ক্রোএসিয়াগী জে ফেট্টকা লম্বা তৌনরগনি।

মোন্টেরি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুক্রেনগী এল সুরেনকোনা য়ুএসএগী দি কোলিন্সকা লম্বা তৌনরগনি। সুরেনকোনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী শান্নরোই এন হিবিনোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৬–৭(২–৭), ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরমখি। অদুগা য়ুএসএগী দি কোলিন্সনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা কলম্বিয়াগী দুক্যু মারিনোবু ৬–১, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

৫শুবা সিদেদ প্যুটো রিকোগী শান্নরোই মোনিকা প্যুগনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুএসকী শান্নরোই এন গিবসপু ৬–৩, ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা স্লোভেনিয়াগী শান্নরোই দি জাকুপোভিসপু ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্বী স্বিজরলেন্দগী এস ভোগিলিগা লম্বা তৌনরগনি।


মোন্টেরি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জেক রিপব্লিক্কী এম বোজকোভাবু ৬–৩, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা কানাদাগী শান্নরোই সি ঝাওবু ৬–৩, ৬–৭(৫–৭), ৬–২ দা থোইরম্বী গ্রেট বৃটেনগী এন ব্রোদিগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ য়ুএসএগী এস ভিকেরিনা অতোপ্পা য়ুএসকী শান্নরোই আই ফালকোনিবু ৬–১, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ুএসকী শান্নরোই অরকোনাদাবু ৩–৬, ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরম্বী য়ুম্বু লৈবাক মেক্সিকোগী শান্নরোই এএস সঞ্চেজগা লম্বা তৌনরগনি।

মোন্টেরি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৬শুবা সিদেদ রোমানিয়াগী এ বোগদান অমসুং স্পেনগী সোরিবেস টোর্মো লম্বা তৌনরগনি। বোগদাননা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা মেক্সিকোগী শান্নরোই ভি রোদ্রিগেজবু ৪–৬, ৬–৪, ৭–৬(৭–৫) দা থোইরম্বনি। অদুগা স্পেনগী সোরিবেসনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই টি মার্টিনকোভাবু ৬–১, ৭–৫ দা থোইরমখি।

মোন্টেরি ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই শান্নরোই ওষ্ট্রেলিয়াগী এ টোমিজানোভিসনা রুশিয়াগী শান্নরোই এ ব্লিনকোভাগা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লম্বা তৌনরগনি। টোমিজানোভিসনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা স্লোভাকিয়াগী শান্নরোই স্কৈমৈদলোভাবু ৪–৬, ৬–১, ৭–৬(৮–৬) দা থোইরমখি। অদুগা রুশিয়াগী ব্লিনকোভানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা স্বিদেনগী আর পিটরসনবু ৭–৬(৯–৭), ৫–৭, ৬–৪ দা থোইরমখি।

# স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচশিং মায় পাকখ্রে




টুরিন। মাদ্রিদ, এপ্রিল ০৪ঃ
য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা লৈরিবা ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচশিংদা স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক মায় পাকখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা ইটালিগী সিটি টুরিনদা লৈবা এলিয়াজ ষ্টেদিয়মদা মফম অদুগী ক্লব জুবেন্টসনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদনা পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং জুবেন্টসনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌদুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী ষ্ট্রাইকর পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা জুবেন্টসপু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ৪২ রোম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখিবা অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা খুদোংচাবা থিবা হৌরকখি। শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী এটেক অমদা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা জুবেন্টসপু ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী শান্নরোই পাওলো দিবালানা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংগী মায়োক্তা ফাওল তৌরুবগীদমক মেটচ অদু কন্দক্ত তৌরিবা রেফরিনা রেদ কার্দ উত্তুনা মেটচ অদু মখা য়াওহন্দনা তাষ্হোকখি।

শান্নরোই অমা ৱাৎলবা জুবেন্টসকী মায়োক্তা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা হেন্না এটেক তৌবগী খোঙজেল য়াঙশিল্লকখি। শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী এটেক অমদা মার্সেলোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইটালিগী ক্লব জুবেন্টসপু পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা চংখি।

মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদনা ইটালিগী ক্লব জুবেন্টসপু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবা হেন্না ফংবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক্না স্পেনগী ক্লব সিভিলাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ৩০ রোম শান্নবা লোইশিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা সিভিলাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পাব্লো সারাবিয়ানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা বেয়র্ন ম্যুনিকপু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী এটেক অমদা সিভিলাগী শান্নরোই জিজস নাভাসনা শোয়বদগী চনশিঞ্জখিবা পাঞ্জলনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা লৈনখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা থিয়াগো অলকান্টারানা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা সিভিলাবু ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেটচকী অপীবা মিনট ৯০ লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা নাকল অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক্না স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অথেংবদা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনা অমসুং ইটালিগী ক্লব রোমানা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব অনী লিভরপুল অমসুং মেঞ্চেষ্টর সিটি লম্বা তৌনরগনি।